WAYEL KATI
# এদিটোরিয়েল
ইম্ফাল, থৱান ১৪ নি পানবা, শগোলশেল, অগষ্ট ২৭,২০২৬ ইং

## মহৈরোয়শিংগী চাক্লাম খোঙচৎ

### খোঙজং চঙশিনবদা মহৈরোয় লূপশিং পূন্না শরুক য়াহন্নিংই

মণিপুরনা ইন্দিয়াগী শরুক অমা ওইখ্রবা মতুংদা মহৈরোয়শিংগী খোঙজং অসি তাঙ্কক কয়ারক্তা য়ান্না কন্না চৎখি। ইশুশিং অদুগী মনুংদা মহৈ মশিল তম্বগী ফিভম ফগৎহন্নবা, চীঞ্জাক তাংবগী মরমদা, পোলিটিকেলগী রাইটশিং ফংননবা, অপূনবগী শক্তম ঙাক্তুনা থন্ননবা, লোল অমসুং ময়েক্কী মতাংদা, মীতোপ মীয়ানচা ময়াম চঙশিল্লকপগী মায়োক্তা অমদি মীওইবগী হক ফংননবা অমসুং ঈং তপ্পা লৈননবগী মতাংদনি। খোঙজংশিং অদুগী মনুংদা খরদং পনবা তারগদি কুমজা ১৯৬৫ দা থোকখিবা হঙ্গর মার্চরস মুভমেন্ট (চাক্লাম খোঙচৎ), কুমজা ১৯৬৭–৬৮ তা থোকখিবা টেরিটোরিয়েল ইন্টিগ্রিটি মুভমেন্ট, ১৯৭০ দা থোকখিবা মণিপুরনা ষ্টেটহুদ তানবগী ঈরাং, ১৯৮০ দা থোকখিবা ফোরেনর। ইম্মিগ্রেসন মুভমেন্ট, কুমজা ১৯৮০ দগীনা ১৯৯০ ফাওবা চৎখিবা লোল অমসুং আইদেন্টিটিগী মুভমেন্ট, কুমজা ১৯৯০দগী ২০০০ ফাওবা চৎখিবা আর্মদ ফোর্সেস স্পেসিয়েল পৱারস এক্ট লৌথোক্নবা চঙশিনখিবা মীয়ামগী খোঙজং অসিনা চিংবা পনবা য়াই। ঙসি অসি ওগষ্ট ২৭ নি। নুমিৎ অসি মণিপুর মীয়ামগী পুৱারীদা লেংদনা লৈহৌরগদবা নুমিৎনি। কুমজা ১৯৬৫তা মণিপুরদা চাক–তাঙবা অমসুং তঙাইফদনা চঙবা পোৎলমশিংগী মমল য়ান্না ৱাংখৎলকখি। মদুনা মরম ওইরগা মহৈরোইশিং শাওরক্তুনা চিঞ্জাক্কা মরী লৈনবা গভর্নমেন্টকী মথক্তা খোঙজং চঙশিনবা হৌরকখি। মশিং য়াম্লবা মহৈরোয়শিংনা চাননবা চেঙ মরাং কায়না ফংহল্লু হায়বা খোঙচৎ অমা চৎখি। খোঙচৎ অদুদা পুলিসনা নোংমৈ কাপ্পদা মহৈরোয় ৪ শিখি অমসুং কয়া অমনা অশোক–অপন নংখি। অদুগুম্লবা ঈ–নাই তাবা মহৈরোয়শিংগী খোঙজং অদুবু নীংশিংদুনা চহী খূদিংগী ওইনা ওগষ্ট ২৭ অসিবু হঙ্গর মার্চরস দে হায়না পাঙথোকই। নুমিৎ অসিনা লাকপদা মহৈরোয় খূন্নাইদা য়াইফ–পাউজেল পীজরি। মহৈরোয়শিং পুলিসনা নোংমৈ কাপ্তুনা হাৎখিবা মতুং কুমজা ১৯৬৫কী ওগষ্ট ২৮দা ওল মণিপুর ষ্টুদেন্টস য়ুনিয়ন শেমখি। মতম অদুদদি মণিপুরদা মহৈরোয়শিংগী লূপ অসি শুপ্নতগী এমসু হায়বসি খক্তনা ওইরম্মী। মদুনা মরম ওইরগা হঙ্গর মার্চরস দেগী থৌরম অদুবু এমসুনা চহী খূদিংগী পাঙথোক্লগা লাকখিবনি। অয়ূক অঙনবদা পিশুম চীংঙামচাদা লৈবা মহৈরোয়শিংগী নীংশিং খূভমদা লৈশু–কৎপা অমসুং চাক্লাম খোঙচৎতা লৈখিদ্রবা মহৈরোই ৪গী শক্তম পুদুনা মহৈরোয়শিংনা হঙ্গর মার্চরস দেগী থৌরম পাঙথোকই। ঙল্লিঙে মতমদদি খোঙচৎ অদু মশিং য়াম্লবা মহৈরোয়শিংনা শরুক য়ারম্মী। অদুগা হৌজিক্না চহী খরা অসিদনা মশিং অসুম পাথরক্তুনা লাইগী শোয়দনবগী খোঙচৎ ওইনা তৌরক্লে। অদুবু ঐখোয় পূন্নমক্না খঙমিন্নগদবনি মহৈরোয়শিংগী অপূনবগী লীচিং শাগৎপা অমসুং খূন্নাই অসিদা অঙম্বশিংনা তৌনিং তৌনিংবা তৌবা য়াদে হায়বদু উৎলিবনি।

মণিপুরদা কুমজা ১৯৮০ দা মহৈরোয়শিংগী য়ান্না চাউবা ঈহৌ অমা হৌরকখি। ঈহৌ অদু ষ্টেট অসিদগী মীরৈবাক মচাশিং হনখ্রো হায়বা দিমান্দগী মখাদনি। মতম অদুদা হৌখিবা ঈহৌ অদু এমসু অমসুং এমসকোক হায়বা ওর্গনাইজেসন অনীগী মীৎয়েং মখাদা চৎখিবনি। তানফম অদু অসামদসু মীরৈবাক মচা তানবগী অচৌবা ৱাথোক অমা লৈরিঙে মতম ওইখি। অসামগী ওইনদি মহৈরোয়শিংগী ঈহৌ অদু ১৯৮৫ ফাওবা চৎখি। শাংলবা মতম কয়া বন্দ তৌশিনবা অমসুং ঈরাং কয়ামরুম থোরকপনা মরম ওইরগা পুলিসকা মুক্নরকপদা মীওই ৮০০গী মথক্তা শিখি। কায়নথংদা অসাম একোর্দ প্রাইম মিনিষ্টরগী মীৎয়েং মখাদা খূৎয়েং ওইনরগা ঈরাং অদু লোইশিনখি। মণিপুরগী ওইনসু ঈহৌ অদু য়ান্না কনখি। লল্লোনবশিংগী গোদাউন থুগায়রগা চেঙ চাক, হৱাইশিং মুন্দুনা পুনরক্লগা মীয়ামদা লেন্না য়েঙ্খোকখি। খোঙজং অদুদা নম্বোল মায়কৈদা মহৈরোই অমা অমসুং খুরাই মায়কৈদা অতোপ্পা মহৈরোই অমা পুলিসনা নোংমৈনা কাপ্তুনা হাৎখি। মতমদুদা পাঙথোকপা হায় স্কুল লিভিং সার্টিফিকেটকী একজামিনেসন অদুফাওবা মহৈরোয়শিংনা বোইকোট তৌদুনা পাঙথোকহনখিদে। মতমদুদগী হৌনা ষ্টেট অসিগী মীয়ান্না মীতোপ্পা লাঙ্গোই চনশিল্লক্লে ঐখোয়বু কনবীয়ু হায়বসি খোল্লাও ওইরগা লাকখি। অদুবু মহৈরোয়শিংনসু ইশু অমগী মথংদা ইশু অমা পুরগা চৎখি। লৈঙাক পায়বশিংসু ঙসিগী অসিগুন্না ঈরাং কনবা মতমদনা মীয়ামগী দিমান্দ অদুদা মীৎয়েং থম্মী। অদুগা ঈরাং কন্দবা মতাদুনা থোইনা মৱা লৌদে। মতম চানা পানখিবা লৈঙাকশিং অদুনা মীরৈবাক মচাগী মতাংদা অখন্নবা মীৎয়েং চঙলম্বা তারগদি মণিপুরদা হৌজিক থোক্লিবা তমথিরবা ঈরাংশিং অসি থোক্লমলোই। অমসুং খুন্দামিন্নরিবা ফুরুপ মশেল য়ান্না নুংশি চান্ননা অমসুং মপাঙ্গল কনবা মণিপুর অমা ওইনা লৈবা ঙম্লগনি। হৌজিক্তি মহৈরোয়শিংসু মপাঙ্গল শোম্বরক্লে। লৈবাক্কী অরুবা ইশু কয়াদা মীয়ামনা মহৈরোয়শিংদা থম্বা ফজরবা প্রোটেষ্টশিং অদু থাজবা থম্লক্রে। মসিগী মরু ওইবা মরমদি মহৈরোয় লূপ য়াম্মনখিবননি। এমসু, এম এস এফ, দেসাম, কে এস এনচিংবা কয়া অমনা তোঙান তোঙান্না লিংখৎনরকপদা নত্তনা য়ুনিয়ন ১ খক্তা ২ থোকপা ফাওবা য়াওরক্লে। মসিনা মহৈরোয়শিংগী মরক্তা অপূনবা শাগৎপা ঙমদ্রে। খোঙজং চঙশিনবদসু মচেৎ মকায় ওইনা তৌনরকই। মতাং অসিদা পঞ্জনিংবা ৱাফমদি হঙ্গরস মার্চরস দে হায়বসি মণিপুরগী পুৱারীদা কাউবা ঙম্লরোইদবা নুমিৎ অমনি। মতমদুদা মহৈরোয়শিংনা চঙশিনখিবা ঈহৌ অমসুং অকিবা লৈতবা থৌনা ময়াম অদু হৌজিকসু মথৌ তারক্লে। চাক্লাম খোঙচৎ চৎখিবা গুন্না মণিপুর কন্ননবগী অচৌবা ঈহৌ অমা মথৌ তারক্লে হায়জনিংই।

## লোক্তাক পাৎকী ফীভম নোংমা নোংমগী...

(লা.১গী মখা) ...হোমষ্টে কয়া শাজিল্লবগে হায়বগী চপ চাবা রেকোর্দ ফাওবা এল দি এদা লৈত্রি। মসিগীসু মথক্তা ফুমদি শেংবগী থবক ফাওবা মপুং ফানা পায়খৎপা ঙমদ্রে। পাৎ অসিগী পাক চাউবসু লেপ্পা লৈতনা পীকশিল্লক্লি। অসিগুম্বা ফীভম অসিদা মখা তানা অদুমক চৎথরবদি পাৎ অসি চহী খরগী মতুংদদি অশিবা পাৎ হায়বদু ওইরগনি হায়খি।

চৈরক অসিদা, লোক্তাক পাৎতা ফ্লোটিং রিজোর্ট চল্লাইরিবা মীওই অমনা পাউচে অসিদা ফেঙদোরকপগী মতুং ইন্না, পাৎ অসিদা হৌজিক রিজোর্ট কয়া লৈরবগে হায়বা চপ চাবা মশিংদি খঙবা ঙমদে। অদুবু চাউরাক্লা ৬০গী মথক্তা লৈরে হায়বদি খঙবা ঙম্লে। সেন্দ্রাদগী হৌরগা থাঙ্গ, করাং, মনুংপাৎ, তাকমুনচিংবা মফম কয়াদসু হোমষ্টে কয়ামরুম চল্লাইরি। হৌজিকমক্কী ওইনদি পাৎ অসিদা চল্লাইরিবা হোমষ্টেশিং অসিগী টেক্সনচিংবা লৈঙাক্তা থিবদি লৈতে।

হোমষ্টেশিং অসিনা কান্নবা পীরিবা মীশিং অসি অদুক্কী মতিক য়ামখৎলক্লি। খূদম ওইনা মোটোরবোট চল্লাইরিবা, ঙা য়োনবা, দুকান ফম্বা অমদি পার্কিং টিকেট কক্লিবশিং ফাওবা কান্নবা ফংলিবনি। হোমষ্টেশিং অসিনা পাৎ অসিগী অকোয়বগী খলদা য়ারিবমখৈ অকায়বা পীদনবা চৎন–কাঙলোন কয়া ক্লবশিংনা শেমজদুনা চল্লাইরিবনি। খূদম ওইনা বাইও টোইলেট হাপ্পা, দষ্টবিন মরাং কায়না থম্বা অমদি প্লাষ্টিক বোট্টলনচিংবশিংসু পুশিনবা থিংলিবনি।

মহাক্না মখা তানা হায়, পাৎ অসিদা চল্লাইরিবা হোমষ্টেশিং অসি লৈঙাক্কী ওথোরিতিশিংগী অয়াবা য়াওদে হায়বসিমদি চুম্মী। অদুবু মমাঙথক্তা হায়বদি কুমজা ২০২২ দা পাৎ অসিদা হোমষ্টে ৪৮ থুগায়খিবা মতমদুদা য়ানবা অমদি লৈখিবনি। হায়বদি, লৈঙাক্লা চৎন–কাঙলোন শেন্নগা হোমষ্টে চল্লাইবগী অয়াবা পীরকপা মতমদা হান্না শারম্লিবা মীওই ৪৮ অসিদা হান্না খূদোংচাবা পীগনি হায়না থাজবা পীরকখিবনি। অদুবু ঙসি ফাওবা থবক ওইনা অমত্তা পায়খৎলক্তবদগী হোমষ্টেশিং অসি নৌনা অদুমক শাগৎনদুনা চল্লাইরকপনি।

লোক্তাক পাৎ কন্নিংবগী ৱাফম অসি পাৎ অসিগী অকোয়বদা খুন্দারিবা মীওইশিং অসিনসু হেন্না কন্নিংলিবনি। মসিগীসু মথক্তা লৈঙাক্লা লোক্তাক পাৎকী পাক চাওবা অসি নাখৈ শেংনা দিমার্কেসন তৌবীবা মথৌ তাই। মদু নত্তদুনা ঈশিংবু লৈরবদি লোক্তাক্লি হায়না হেক্তমক খোপচিনবা অসি মরম চাদে। লোক্তাক হাইদ্রো ইলেক্ট্রিক পৱার প্রোজেক্ট শাখ্রবা মতুংদা খুঞ্জাশিংগী লৌফম কয়ামরুম ঈশিংনা থুমজিন্দুনা মাঙখ্রবনি। মসি খঙনা লৈঙাক অমদি মরী লৈনবশিংনা থবক পায়খৎহন্নিংই হায়রি।

নাকল অমরোমদা, পাৎ অসিগী হৌজিক ওইরক্লিবা মওং অমদি মহৌশাগী খলদা কায়থরক্লিবা কয়া অসিগী মতাংদা লমদম অসিগী মমিং লৈরবা ইনভাইরনটেলিষ্ট জিতেন য়ূম্নামনা হায়, ইশু অসি লোগী ওইবা ইশু খক্তা নত্তনা ইনভাইরনমেন্ট অমদি ক্লাইমেট চেঞ্জকী ওইবা অচৌবা ইশু অমনি হায়বদা হায়মনবা থোক্লোই। মালেম শিনবা থুংনা মায়োক্নরিবা ক্লাইমেট চেঞ্জ অসিগী শাফু লমদম অসিদসু চপ চানা ফংলিবনি। মসিনা মরম ওইরগা ৱেটলেন্দশিং অসিনা ইকোলোজিকেল ইমবেলেন্সশিং অসিদগী রিকোভর তৌজনবগী মতিক ময়াই অসি য়ান্না হন্থরবনি। অসুন্না ঐখোয় মীওইবগী থৌশিল কয়া অসিনা হান্নদগী শোকচিন্দুনা লৈরবা পাৎ অসিদা হেন্না শোকচিনহন্নবগী মচাক ওইরবনি।

হোমষ্টেশিং অসিগী সেনিটেসন, ৱেষ্ট মেনেজমেন্টনচিংবা কয়া অসি কুপ্পা নৈনবগী তঙাইফদবা লৈ। লোয়ননা হোমষ্টেশিং অসিদা নুমিৎ খূদিংগী লাক্লিবা মীওইশিং অসিনা অহিং অথেংবা ফাওবা মৈ থাঞ্জিন্দুনা লাঙদুনা লৈবা, মখোয়বু থিন্দোক থিঞ্জিন তৌবগী মোটোর বোটশিংগী ত্রাফিক য়ান্না কুংশিল্লকপা, লোক্তাক পাৎকী কোর এরিয়া ফাওবদা হোমষ্টে কয়া মশিং থিঙমদনা চল্লাইরকপা কয়া অসিনা অঙকপা মওংদা শাফু পীরিবনি। মসিনা পাৎ অসিনা হান্নদগী তাংদুনা লৈজরকপা ঙামীশিংদসু চৈথেং পীরি।

অমরোমদা, লোক্তাক কুম্বা ৱেটলেন্দশিং অসি ক্লাইমেট এদাপ্টেসনগী নেচর বেজ সোলুসননি হায়না অনৌবা রিসার্ছ কয়াদা ফোঙনরিবনি। মশা–মউ ফনা লৈরিবা পাৎশিং অসিনা কার্বোন চুপশিনবা, শোক এবসোবর ওইদুনা ঈচাও ঙাকথোকপা, গ্রাউন্দ ৱাটর রিচার্জ তৌবনচিংবা অচৌবা থৌদাং লৌরিবনি। মরম অসিনা পাৎকী ঈশিং অসিবু য়োকখৎপা অমদি হিংহন্দুনা থম্বা হায়বসি য়াম্নমক তঙাইফদবা অমনি।

ফ্লোট্টিং হোমষ্টেশিং অসিনা টুরিজমগী মীৎয়েংদা য়েংবা মতমদা হোমষ্টে ওইনা শীজিন্নরিবা ফুমশঙশিং অসিনা মালেমগী অমদি লৈবাক অসিগী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদগী লমকোয়বশিংগী পূক্লিং চিংশিনফম ওইরি হায়বসিদি ককপা য়াররোইদবা ৱাফম অমা ওইরি। মসিগীসু মথক্তা মায়কৈ অদোমগী খুঞ্জাশিংগী হিংনবগী লম্বী অমসু নৌনা ওইনরক্লিবনি।

অদুম ওইনমক অসিগুম্বা ফুমশঙ কয়া অমা ওথোরিতিগী অয়াবা য়াওদনা চল্লাইনিংবা মওংদা চল্লাইরকপা তারবদি পাৎ অসিগী মহৌশাগী খলদা চাউনা অকায়বা লাক্কনি। লোক্তাক্কুম্বা ক্লাইমেট সেন্সিটিভ ওইবা মফমশিং অসিদা শেমগৎ–শাগৎপগী থবক পায়খৎপা মতমদদি য়াম্না কুপথনা খন্ন–নৈনহৌবা মরু ওই। মরম অসিনা ফুমশঙ খরা হোমষ্টে ওইনা শীজিন্নহন্নবা চল্লাইবা তারবসু লৈঙাক্কী ওইবা চপ চাবা পোলিসি অমা শেন্নগা মসিগী অমাঙ–অতোং কুপ্না নৈনরগা চৎন–কাঙলোন নিংথিনা থম্লগা চল্লাইহনবগী তঙাইফদবা য়াম্না চাউনা লৈ।

ক্লাইমেট চেঞ্জনা মরম ওইরগা হিমালায়া রিজন অমদি অৱাং নোংপোক ইন্দিয়াগী ফ্রেস ৱাটর ইকোসিষ্টেম অসিদা চাউনা অহোংবা পীরক্লিবা মতম অসিদা লোক্তাক পাৎ অসিনা অকোয়বগী খল ঙাকপা অমদি চাউখৎ থৌরাংগী শেমগৎ–শাগৎপা অনীগী মরক্তা লৈরিবা পারবা লংলা অসিগী ময়েক লারবা খূদম অমা ওইরি।

লোক্তাক পাৎতা চল্লাইরিবা ফ্লোটিং হোমষ্টেশিং অসিনা সষ্টেনেবল ইকো টুরিজমগী খূদম ওইগদৌরিব্রা নৎত্রগা পাৎ অসিদা ইকোলোজিকেল ষ্ট্রেস পীনবগী অচৌবা মরম অমা ওইরগা তোক্কদৌরিব্রা হায়বা অদুদি মরী লৈনবা ওথোরিতিশিংনা তুংদা পায়খৎলকপা থবকশিংগী মখা য়াম্না পোল্লি। মসি খঙনা অথুবা মতমদা মীৎয়েং চঙদুনা থবক পায়খৎহৌবা য়াম্নমক মথৌ তারি।

(দাইরেক্টোরেট ওফ ইনভাইরনমেন্ট এন্দ ক্লাইমেট চেঞ্জগী ফেল্লোশিপ মখাদা ইবা)


[illegible]/Admission Notice/675

24th August, 2026

**Free Online Coaching Support for Competitive Examination Preparation (UPSC | SSC | Banking)**

The Ministry of Social Justice & Empowerment (MoSJE), Government of India, in collaboration with Physics Wallah Foundation, invites applications from eligible students (SCs, OBCs, EWSs and beneficiaries of PM CARES Children Scheme) through Manipur University for imparting free online coaching support for preparation of competitive examinations.

This initiative aims to strengthen access to quality preparatory resources and support aspirants from socially disadvantaged backgrounds in enhancing their career opportunities through structured coaching and mentorship.

**Courses Offered**

1. UPSC Civil Services Examination Preparation
2. SSC Examination Preparation
3. Banking Examination Preparation

**Programme Support Includes**

- Structured online learning modules
- Live and recorded classes
- Comprehensive study material
- Test series and practice assessments
- Previous year question paper support
- Doubt-solving sessions
- Mentorship and counselling support

**Eligibility**

Students belonging to the following categories may apply:

- Scheduled Castes (SC)
- Other Backward Classes (OBC)
- Economically Weaker Sections (EWS)
- Beneficiaries under the PM CARES Children Scheme
- (Note: (a) Students belonging to SCs, OBCs and EWSs, having total ***family income of Rs. 8.00 lakh or less per annum*** from all sources will be eligible for benefits under the initiative. There will be no income or caste-related restrictions for beneficiaries of the PM CARES Children Scheme to avail of the benefits under this initiative.
- Educational Qualification: Class XII passed or above
- Age limit: 35 years and below
- No stipend or financial assistance shall be provided to the students enrolled under this initiative either by Ministry of Social Justice & Empowerment (MoSJE) or PW Foundation or Manipur University.

**Mode of Delivery**

- Entire programme shall be delivered in online mode by PW Foundation.
- Selection and enrolment shall be undertaken through Entrance Examination conducted by Dr. Ambedkar Centre of Excellence, Manipur University.

**Seats Available**

A total of 749 students shall be selected in 3 courses: UPSC CSE Preparation-225, SSC Examination Preparation-374 and Banking Examination Preparation-150.

**Reservation**

SC-65%, OBC-23%, EWS-10%, Transgender-1% and PwD (Divyangjan)-1% (**extra seats for PM CARES Children**).

**Application Form Submission Fee:** Rs. 50/- (Fifty) only payable at **A/C. 41348009468, Name of Account Holder: DACE MU, Bank Branch: SBI Manipur University Campus, IFSC: SBIN0005320**

**Application Process**

Eligible students (SCs, OBCs, EWSs and beneficiaries of PM CARES Children Scheme) will be selected by Manipur University through Entrance Test.

**Submission of Application Form**

Candidates should submit the application form through Google Form in the given link https://forms.gle/Z7iKDuEd2g9zMrFB6

**Required documents to be uploaded**

1. Mark sheet and certificate of highest educational qualification in a single file
2. Age proof certificate (Class X certificate)
3. Valid SC/OBC/EWS/Transgender/PwD/PM CARES certificate.
4. Valid Income certificate not older than one year from the date of publication of this notification.
5. Recent passport photo of the candidate
6. Scanned signature of the candidate
7. Fee Payment receipt

**Important Dates:**

- Last date of Online Application Form submission: **11.09.2026**
- Submission of printed hard copy of the Google Application Form along with necessary documents: on or before **4PM of 15.09.2026** at the Office of Dr. Ambedkar centre of Excellence, Manipur University
- Date of Issue of Admit Card in respective emails of the candidates: **16.09.2026**
- Date of Entrance Exam: **19.09.2026 (Time: UPSC-CSE 10AM to 12 Noon, SSC 1PM to 2 PM, Banking 3PM to 4 PM)**
- Date of declaration of result: **21.09.2026**
- Entrance Examination Centre: Manipur University

**Syllabus for Entrance Examinations**

- UPSC CSE Preparation: UPSC-CSE Prelim GS Paper-I syllabus
- SSC: SSC CHSL Tier-I syllabus
- Banking: Phase-I syllabus of SBI Junior Associates

**Important Note:**

- This programme is being implemented under a non-financial collaborative arrangement and shall not be construed as a Government scheme or direct financial benefit.
- Selection of candidates shall be undertaken by the Manipur University as per prescribed selection norms.
- No stipend or financial assistance shall be provided to the students enrolled under this initiative either by Ministry of Social Justice & Empowerment (MoSJE) or PW Foundation or Manipur University.
- This is a separate initiative and not a part of the Free Coaching Scheme for SCs, OBCs and beneficiaries of PM CARES Children Scheme implemented by Ministry of Social Justice & Empowerment (MoSJE)

For further information and enrolment updates, students may refer to Manipur University website.

Sd/- Prof. M. Premjit Singh
Registrar

WK2/59/ 26 and 27,Aug (MU Bill)



**MANIPUR UNIVERSITY**
**CANCHIPUR : IMPHAL**

No.MU/3/Adm/Aca/24/676: Dated the 25th August, 2026

**ADMISSION NOTICE**

No.MU/3/Adm/Aca/24: Online applications are invited for admission into the following programmes for the academic session 2026-27:

**I. Admission to Undergraduate & Integrated Programmes through non-CUET mode to Fill the Remaining Category wise Vacant Seats**

| Sl. No. | Programmes | UR | OBC | SC | ST | EWS | Total |
|---|---|---|---|---|---|---|---|
| 01. | B. Voc. in Food Processing and Quality Management (3-year Degree Programme) | - | 05 | 01 | 09 | 03 | 18 |
| 02. | Bachelor of Physical Education & Sports (BPES) (4-year Degree Programme) | 17 | 10 | 1 | 18 | 6 | 52 |
| 03. | Five-year Integrated B.A./ M.A. in Dance. | 03 | 06 | 01 | 10 | 04 | 24 |
| 04. | Five-year Integrated B.A./ M.A. in Hindustani Music | 13 | 06 | 01 | 10 | 04 | 34 |
| 05. | Five-year Integrated B.A./M.A. in Japanese | 12 | 09 | 01 | 15 | 05 | 42 |
| 06. | Five-year Integrated B.A./M.A. in Korean | 09 | 09 | 01 | 15 | 05 | 39 |
| 07. | Five-year Integrated B.Voc./ M.Voc. in Tourism and Hospitality Management | 05 | 06 | 01 | 11 | 03 | 26 |
| 08. | Five-year Integrated B.Voc./M.Voc. in Retail Management and Foreign Trade | 08 | 06 | 01 | 11 | 03 | 29 |

**II. Admission through Lateral Entry into 7th Semester**

1. Five -year Integrated B.A./M.A. in Dance
2. Five -year Integrated B.A./M.A. in Hindustani Music

**Eligibility Criteria:** Kindly check the e-Prospectus 2026-27 available at university website: https://www.manipuruniv.ac.in/ for Minimum Eligibility Criteria, Programme-Specific Eligibility and Intake seats.

**How to Apply:** Interested candidates are required to apply online through the Manipur University Admission Portal https://manipurunivadm.samarth.edu.in/2026/

**General Instructions :**

1. Before filling up of online applications, applicants must read the e-Prospectus and instructions carefully and follow them strictly.
2. An application fee of Rs. 300/- for UR/OBC/EWS candidates and Rs. 200/- for ST/SC/PwD candidates are to be paid online using Debit Card/Credit Card/Net Banking/UPI only.

**Selection Criteria :** It shall be announced by the concerned departments of the University.

**Important Dates :**

| | |
|---|---|
| Start of Online Submission | 26th August, 2026 |
| Last Date for Online Submission | 31st August, 2026 (23:59:59 hours) |

Sd/-
(Prof. M. Premjit Singh)
Registrar

WK2/60/ 26 and 27,Aug (MU Bill)




| | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| 9 | 3 | 4 | 2 | 8 | 6 | 5 | 7 | 1 |
| 7 | 8 | 6 | 3 | 1 | 5 | 2 | 4 | 9 |
| 2 | 1 | 5 | 9 | 4 | 7 | 8 | 3 | 6 |
| 3 | 4 | 8 | 6 | 5 | 1 | 7 | 9 | 2 |
| 6 | 7 | 2 | 8 | 9 | 3 | 4 | 1 | 5 |
| 1 | 5 | 9 | 4 | 7 | 2 | 6 | 8 | 3 |
| 8 | 2 | 1 | 5 | 3 | 4 | 9 | 6 | 7 |
| 4 | 6 | 7 | 1 | 2 | 9 | 3 | 5 | 8 |
| 5 | 9 | 3 | 7 | 6 | 8 | 1 | 2 | 4 |

| | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| | | | | 8 | | 5 | | |
| | | | | 1 | | | | |
| 2 | | | | | | | 3 | 6 |
| | | 8 | | | | 7 | | |
| | | | | | 3 | | | |
| | | | 4 | | 2 | | | |
| | | 1 | | | | | | |
| | 6 | 7 | | | 9 | | | |
| | | | | | | | 2 | 4 |

**ACROSS**

1 Pronounced (8)
4 Popeye's love interest (5,3)
8 Anger (5)
10 Go by plane (3,3)
11 It turns litmus paper blue (6)
12 Vietnam's capital (5)
14 Rubbed out (6)
15 Keep in custody (6)
16 Terminus (5)
18 Hot pepper (6)
19 Musical beat (6)
20 Cowboy noose (5)
23 Shoulder gesture (5)
25 Old street light (3,4)
27 Sleeping chamber (7)
30 W B ___, poet (5)
31 Risk (5)
32 At any rate (6)
34 Inattentive (6)
36 Parlance (5)
38 Thread holder (6)
40 Sir Bob ___, Band Aid instigator (6)
42 *Peer Gynt* author (5)
45 Pulverising tool (6)
46 Outdoor meal (6)
47 Shed fur (5)
48 Craving (8)
49 West Indian island (8)

**DOWN**

1 Light-softener (8)
2 Ask questions (7)
3 Albanian capital (6)
4 Page size (6)
5 Small municipality (7)
6 Medicated lotion (8)
7 Have compassion (10)
9 English county (10)
13 Neck part (4)
16 Plummets (5)
17 Vagrant (5)
20 Type of sugar confectionery (5)
21 Stares rudely (5)
22 Tea container (5)
23 Be sparing with (5)
24 Evil spirit (5)
26 Decorating tool (10)
27 Clash (5)
28 Upstage (5)
29 Leading opera singer (5,5)
33 Burden (4)
35 In a curt manner (8)
37 Pretentious (8)
39 European nationality (7)
41 Spice up (7)
43 Fit in (6)
44 Lace hole (6)

Owned, Published & Edited by **Ningombam Hemantakumar** & Printed by him at Hiyai Advance Offset Printers, Keishampat Thiyam Leikai Machin, Email: wayelkati6@gmail.com Tel. No. **9856088733**